# পি এম মোদিনা লৌমীশিংগী তুংগী আশা, ইন্দিয়াগী ইনর্জি সেক্যুরিটি পীথোকখ্রে: রাহুল গান্ধী



কোটায়ম, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া-য়ু এস ইন্টরিম ট্রেদ এগ্রীমেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীশিংগী তুংগী আশা অমসুং লৈবাক অসিগী ইনর্জি সেক্যুরিটি পীথোকখ্রে হায়না মরাল শীরদুনা পার্লিয়ামেন্টতা লীদর ওফ দ ওপোজিসন রাহুল গান্ধীনা ঙসি মোদিদা চৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী এগ্রীকলচর সেক্টরবু ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা হাংদোকপগী অমসুং লৈবাক্কী ইনর্জিগী মথৌতাবশিং ফংহনবদা য়ু এসকী ফুয়েল প্রোকিওরমেন্ট ষ্ট্রেটেজি নমদুনা চৎনবা য়াহনবগী পি এম মোদিবু কোংগ্রেস লুচিংবা অদুনা মরাল শীখি।

কেরেলাগী লাক্লিবা এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা কোত্তায়মদা পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা রাহুল গান্ধীনা য়ু এস দিল অদুনা ৱেষ্ট এসিয়া কনফ্লিক্টতা ইন্দিয়াগী তৌবঙম্বদা ফৎতবা ইম্পেক পীগনি হায়না রাহুল গান্ধীনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়াগী লৌমীশিংগী আশা পীথোক্তুনা মহাক্না য়ু এস দিল অদু সহি তৌখ্রে।

ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা এগ্রীকলচর হাংদোকখিবদা মোদর্ন ইন্দিয়ান হিষ্টরিদা মহাক্না অহানবা পি এম নি। ঙসি ইন্দিয়ানা অপান্বা মফমদগী ওইল, দিজল, পেট্রোল লৈবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি। মিদ্দল ইষ্টতা থোক্লিবা অদুগী মরমদগী শেনমিৎলোনগী য়ুহার হাবা অমা লৈরে, অদুবু মী বিল্লিয়ন ১.৪গী লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়না লৈবা পাল্লিবা মফমদগী ওইল লৈবা ঙমদ্রে। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা রসিয়া, ইরান, ইরাক অমসুং সাউদি অরাবিয়াদগী ওইল লৈবা পাম্লবদি মদু দোনাল্দ ট্রুম্পতগী পার্মিসন লৌরবখক্তদা তৌবা য়াগনি।

মসিদগী হেন্না ইকায়নিঙাই ওইবা অমা লৈত্রে। থাও লৈনবগীদমক মনিং-মখা তম্বা লৈবাক অমনি হায়রিবা ইন্দিয়ানা পার্মিসনগীদমক য়ু এসতা হায়জবা তারি হায়না মহাক্না হায়খি।

ৱেষ্ট এসিয়াগী কনফ্লীক্কী তংদু লৈতাদবা অসিনা শোয়দনমক ইন্দিয়াগী মীয়ামদা শোকহনগনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ৱার্নিং তৌখি।

য়ু এস ইন্দষ্ট্রিয়েল গুদস পুন্নমক অমসুং দ্রাই দিষ্টিলরস গ্রেন (দি দি জি), এনিমেল ফিদসকীদমক রেদ সোরগম, ত্রি নটস, ফ্রেস অমসুং প্রোসেস ফ্রুদ অমসুং সোয়াবিন ওইল, ৱাইন অমসুং স্পিরিটস অমসুং অহেনবা পোথোকশিং য়াওনা য়ু এস ফ্রুদ অমসুং এগ্রীকলচরেল প্রদক ময়াম অমদা ইন্দিয়ানা টারিফশিং লৌথোকপা নৎত্রগা হন্থবা য়াহনবা ইন্টরিম বিল অদুগী মতাংদা পি এম মোদিদা রাহুল গান্ধীনা হন্ন-হন্না চৈখ্রে।

ৱেষ্ট এসিয়া কনফ্লীক্ট হৌখিবগা য়ু এসনা ইন্দিয়াদা রসিয়ান ওইল লৈনবগী নুমিৎ ৩০নিগী কোমথোকপা পীরে লাউথোকখি। মদুদসু দিল অদুগী মতাংদা কোংগ্রেসনা নৌহৌনা মরালশিং শিখি।

# ইলেক্সন কম্মিসনা এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা বেঙ্গল পুলিস ষ্টেসন হেদ ১৭৩ ট্রান্সফর তৌখ্রে



কোলকটা, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
ফ্রী এন্দা ফিয়ার ইলেক্সন ওইননবা থৌরাংশিংগী শরুক ওইনা ইলেক্সন কম্মিসননা নোংমাইজিং নুমিৎতা কোলকটা পুলিসকী মখাদা ৩১ য়াওনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুলিস ষ্টেসন ১৭৩গী ওফিসারস ইন-চার্জ অমসুং ইনস্পেক্টরস ইন-চার্জশিং ট্রান্সফর তৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কোলকটাগী ভৱানিপুর অমসুং পুর্ব মেদিনিপুর দিষ্ট্রিক্টকী নন্দিগ্রাম গুম্বা মরুওইবা কনষ্টিট্যুন্সিশিংদা তাবা ওফিসারশিংসু ট্রান্সফর অসিদা য়াওখ্রে।

কুচ বিহার, মলদা, মুর্শিদাবাদ, বিরভুম, পসিম মিদিনিপুর, হাওরা, নোর্থ অমসুং সাউথ ২৪ পর্গনাজশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা আই সিশিং অমসুং ও সিশিং ওইবা ইনস্পেক্টরশিং অমসুং সব-ইনস্পেক্টরশিংসু ট্রান্সফরশিং অসিদা য়াওরি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না হান্না স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ)তা লৈরম্বা শৌমিত্রা বসু না ভবানিপুর পুলিস ষ্টেসনগী আই সিগী থবক পুরগনি।

ভবানিপুরদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মাগী হান্নগী মথংখনবা ওইরম্বদগী য়েক্নবা ওনখ্রবা সুবেন্দু অধিকারিগা মায়োক্নদুনা মহাক্না মতম শাংনা পায়রম্বা মফম অদু ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী কুপ্না য়েংশিনবা অমসুং খ্বাইদগী শাথিনা কন্টেষ্ট তৌনবা এসেমব্লি সিটশিংগী মনুংদগী অমা ওনখ্রে।

মসিগা মান্নবা খোঙথাং অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা নন্দিগ্রাম ১ অমসুং নন্দিগ্রাম ব্লোক ২ য়াওনা পুর্ব মেদিনিপুরদা ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসার (বি দি ও) ১৪সু ট্রান্সফরসু তৌখ্রে।

মসিগী মমাঙ নুমিৎ অসিদা ইলেক্সন কমিসননা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৮দা ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসার অমসুং এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার ৮৩ ট্রান্সফর তৌখ্রে।

কম্মিসনগী ন্যু দিল্লি ওফিসতগী দিরেক্টিব অদু থোক্লকখিবনি হায়না সেনিয়ার কম্মিসন ওফিসিয়েল অমনা হায়খি। খোঙথাং অসি এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা ওফিসিয়েলশিং ট্রান্সফর তৌবগী মতাংদা ষ্টেট গবর্ণমেন্ট অমসুং সেন্টরগগী মতাংদা কন্না মখা তানা মুক্নরকখিবা চৈরক্তা চথুরকখিবনি।

অসিগুম্বা ট্রান্সফরশিং অসি পোলিটিকেলগী খুৎচংই হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা তাঙ্কক কয়াদা মরাল শীখ্রে।

মেম্বর ২৯৪ লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখল তাঙ্কক অনি থোক্না এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৯দা পাঙথোক্কনি অমসুং মে ৪দা ভোট মশীং থীগনি।

# রাজ্য সভাদা খনখিবা চয়োল খরগী মতুং নিতিশ কুমার বিহার এসেমব্লিদগী রিজাইন তৌখ্রে: লিখুনশিং



পাটনা, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
হান্না থা অসিদা লম্বা য়াওদনা রাজ্য সভাদা খনখিবা বিহার চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার লেজিসলেটিব কাউন্সিল নৎত্রগা এম এল সিগী মেম্বর অমা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রিজাইন তৌখ্রে হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ১০রক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা অদু মার্চ ১৬তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা রাজ্য সভা সিট অমা ফংখি অমসুং লেজিসলেচরস অদুগী অমগী মেম্বরসিপ থাদোক্কদবা নুমৎ ১৪নিগী মতম অদু ঙসি লোইরে।

নহাক নুমিৎ নুমিৎ ১৪নিগী মনুংদা রিজাইন তৌগদবনি হায়বসি কনষ্টিট্যুসননা পীরি হায়না জে দি য়ুগী নেসনেল ৱার্কিং প্রসিদেন্ট শঞ্জয় কুমার ঝানা হৌখিবা চয়োলদা পাউমীশিংদা হায়খি।

মশাগী চহী ৭৫ শুরবা জে দি য়ু সুপ্রিমো অদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা করম্বা মতমদা ফম থাদোক্কদগে হায়বগী মতাংদদি ঝানা পাউখুম পীখিদে। বিহারগী মতম খ্বাইদগী শাংনা ফম পুরকপখিবা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা রাজ্য সভা মেম্বর অমা ওইনা এপ্রিল ৯দা ৱাশক লৌরবা য়াই।

এপ্রিল ৫দা মহাক্না বিহার লেজিসলেচরগী হাউস অনিমক্কী অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইনবগী মহাক্কী অপান্বা ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা হল্লক্নবা কুমারগী ৱারেপ এন দি এনা তরান্না ওকখ্রে।

নিতিশ কুমারনা ১৯৮৫তা এম এল এ অমা ওইনা মহাক্কী খোঙচৎ হৌখি অমসুং কোন্না অতল বিহারি বাজপায়ী গবর্ণমেন্টতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা ওইখি। মহাক্না ২০০৫তা অহানবা ওইনা বিহার চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা কাখি। অদুমওইনমক ২০১৩দগী মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা মতম অদু বি জে পি অমসুং মহাগথবন্ধন (আর জে দি) অমসুং কোংগ্রেসকী মরক্তা ২০১৩, ২০১৭, ২০২২, ২০২৪দা ওন্থাক ওনশিন তৌদুনা এলায়েন্সশিংগী 'রিভোলবিং দোর' অমনি হায়না কৌনখি। অদুবু তোয়না এলায়েন্স হোংবশিং অদু থোক্কুনসু মহাক্কী পোলিটিকেলগী পুন্সিদি লম্বা লৈতে। খ্বাইদগী কুইদিঁঙদা হন্দক্তা ২০২৫তা মঙারক শুবা ইলেক্টোরেল লেন্দস্লাইদ অমা ফংখি অমসুং মহাক্না রেকোর্দ থুগাইবা তরারক শুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাশক লৌখি।

বি জে পি লেজিসলেচর পার্টি লুচিংবা দিপুটি চীফ মিনিষ্টর সমরাত চৌধরিনা মকোকথোংবা ফম অদু নিতিশ কুমারগী মহুৎ শিলহৌনবগী মাঙজিনথাবা ওইনা উরি। থা অসিদা মহাক্কী সম্রিথি যাত্রাদা কুমারনা মাগী দিপুটিগী মরেংজুম পায়রদুনা মাগীদমক শৌগৎনবা মীয়ান্না আপিল তৌখি।

সমরাত চৌধরি ষ্টেট অসিদা শক্নাইরবা অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (ও বি সি) কম্যুনিটি অমা ওইরিবা কিওরি, নৎত্রগা কুসৱাহ কাষ্টকী মীওই অমনি।

# ইরান লানগী মতাংদগী সেন্টরনা নুমিৎ হুন্নিগীদমক খনগৎপা পেট্রোল পম্পশিংদা কেরোসিন য়োনবা য়াহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
সেন্টরনা খনগৎপা পেট্রোল পম্পশিংগী খুৎথাংদা কেরোসিন য়েন্থোক্নবগীদমক ইমর্জেন্সিগী ওইনা অয়াবা পীখ্রে।

মার্চ ২৯দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্ট্রিনা পি দি এস এস কে ও ফ্রী ওইখ্রবা ২১ য়াওনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুন্নমক্তা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস) সুপরিয়র কেরোসিন ওইল (এস কে ও)গী এদ-হোক এলোকেসন য়াহনখ্রে।

ৱারেপ অসি মালেমগী ইনর্জি সপ্লাইজদা অমসুং য়ুমগী শিজিন্ননবা ফুয়েলগী মথৌ তাবগী মতাংদা নুংনাংবা হেনগৎহল্লকখিবা হৌজিক থোক্লিবা ইরান লান অসিগী য়েংলগা লৌরকখিবনি।

ওর্দর অদু খুদক্তগী চৎনবা হৌখ্রে অমসুং মখা তাবা ওর্দর থোক্ত্রিবা ফাওবা নৎত্রগা নুমিৎ ৬০নি চৎনগনি।

নোটিফিকেসন অসিগী মরুওইবদি পেট্রোলিয়ম ষ্টোরেজদা মতম খরগী রিলেক্সেসন, অমসুং থোং-থাক্লবগীদমক খ্বাইদগী অরাপ্পা মফমদা হেন্না থুনা কেরোসিন ফংবা ঙমহন্নবা লাইসেন্সিং রুলস কোমথোকহনবনি।

দিষ্ট্রিক্ট অমদা পেট্রোল পম্প অনি ফাওবদা কেরোসিন য়োন্নবগী অয়াবা পীগনি। অসিগুম্বা আউটলেট অমমমনা পি দি এস এস কে ও লিটর ৫,০০০ ফাওবা থম্বা য়াই। আউটলেটশিং অসি য়ারবদি পি এস য়ু ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিংগী কম্পেনিনা মপু ওইবা, কম্পেনিনা ওপরেট তৌবা (সি ও সি ও) পম্পশিং ওইগদবনি।

পেট্রোলিয়ম রুলস ২০২২গী ফোর্ম ১৪গী মখাদা লাইসেন্স পীবা, লৈরিবা সার্ভিস ষ্টেসনশিংদা কেরোসিন ষ্টোক তৌবা য়াগনি অমসুং লৌবা য়াগনি।

দিলরশিং অমসুং টেঙ্ক ভেহিকলশিংগীদমক লাইসেন্সিংগী মথৌতাবা কয়ামরুম কোমথোকখ্রে। হৌখিবা চহী ১০ হেনবদা ষ্টেট কয়ামরুম্না এল পি জি শিজিন্নবা হেনগৎলকখিবগা কেরোসিন এলোকেসনশিং হন্থহনখ্রে নৎত্রগা মুখুৎখ্রে। রিগুলার পি দি এস কেরোসিন সপ্লাই লেপখ্রবা অসিগুম্বা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২১গী লিষ্ট সেন্টরনা ফোঙখ্রে।

য়ামদ্রবদা মথং নুমিৎ ৬০নিগীদমক কেরোসিনগী পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম তৌখিদ্রবা ইন্দিয়াগী মফমশিংদা কেরোসিন অমুক ফংলগনি, অদুবু হন্দক্কী অসিদদি ফিয়ার প্রাইস সোপশিংগী মহুৎতা খনগৎপা ফুয়েল ষ্টেসনশিংদগী ওইনা ফংলগনি।

# অন্ধ্রা দিজিপিদা মকোকথোংবা মাওইষ্ট কম্মান্দর সরেন্দর তৌখ্রে



বিজয়াৱাদা, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
অন্ধ্রা প্রদেশ, ওরিষ্যা অমসুং ছতিসগড়দা মাওইষ্টকী অচৌবা এটেক কয়ামরুমদা য়াওখিবা চেনুরি নরায়না রাও এলাইজ সুরেশ মীরোৎকী পুন্সিদা চহী ৪০ রোম লৈরুরবা মতুং অন্ধ্র প্রদেশ দিজিপিগী মমাঙদা সরেন্দর তৌখ্রে।

মহাক সি পি আই মাওইষ্টকী সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বর অমসুং অন্ধ্র-ওরিষ্যা বোর্দর স্পিসিয়েল জোনেল কমিট্রিগী সেক্রেটরি ওইরম্মি। মাওইষ্ট মুভমেন্টতা মহাক চহী ৩৬ রোম লৈরকখ্রে অমসুং মখোয়গী মকোকথোংবা লুচিংবশিংগী মনুংদগী অমনি। রাও অমসুং প্লেটুন কম্মান্দরশিং, এরিয়া কম্মিটি মেম্বরশিং অমসুং পার্টি মেম্বরশিং য়াওনা ছতিসগড় অমসুং ওরিষ্যাদগী অতৈ কেদর ৮ অন্ধ্র প্রদেশ দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) হরিশ কুমার গুপ্তগী মাঙদা ঙসি বিজয়াৱাদাদা সরেন্দর তৌখ্রে।

হান্নগী এম এল এ কিনারি সবসোরা রাও অমসুং হান্নগী এম এল এ সিবেরি সুমেসোরা রাও ২০১৮দা হাৎপদা মহাক য়াওই। মহাক পুলিস ফোর্সশিংগী মথক্তা চথবা এম্বুস অমসুং এটেক কয়ামরুমগসু মরী লৈনৈ।

অন্ধ্র প্রদেশ গবর্ণমেন্টকী সরেন্দর অমসুং রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মতুং ইন্না রাওনা লুপা লাক্ষ ২৫ ফংগনি। অতৈ কেদরশিং অদু লুপা লাক্ষ ১দগী লাক্ষ ৫ ফাওবগী চাংদা ফংগনি।

দি জি পি অদুনা সরেন্দর তৌরকপা মেম্বর ৮ লোয়নমক্কী অমমমদা লুপা ২০,০০০গী খুদক্কী রিলিফকী শেনফম অমা খুৎশিন্নখ্রে। পুলিসনা মাওইষ্টশিং অদুদগী ইন্দিয়ান স্মোল আর্মস সিষ্টেম (ইন্সাস) রাইফল অমা, বেরেল গ্রেনেদ লোঞ্চর (বি জি এল) ২, পোইন্ট ৩০৩ রাইফল ৫, সিঙ্গল বেরেল ব্রীচ লোদিং (এস বি বি এল) গন ৫, অমসুং সিঙ্গল-সোর্ট রাইফল ৬ য়াওনা খুৎলাই ১৯ রিকোভর তৌখি। এক্সপ্লোসিবশিং, এম্যুনিসন অমসুং কম্যুনিকেসন একুয়পমেন্টসু সিজ তৌখি।

তোঙান তোঙানবা খুৎ থোক্লবা ৭তা মকোকথোংবা সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বর ১ য়াওনা মাওইষ্ট কেদর ৮ হাৎখ্রে হায়না দি জি পি হরিশ কুমার গুপ্তনা হায়খি। পুলিসনা কেদর ৮১সু ফাখি অমসুং অতোপ্পা ১০৬সু সরেন্দর তৌহনখি।

অন্ধ্র প্রদেশতা অন্দরগ্রাউন্দ মাওইষ্টকী থবক হৌজিক জেরোদা হন্থখ্রে হায়নসু মহাক্না হায়খি।

# ধেরাদুনদা অয়ুক্তা খোঙনা চৎলিঙৈদা মফম মরাং খঙদবা নোংমৈ মরুনা পানবদা রিটয়ার আর্মি ব্রিগেদিয়ার শিখ্রে



ধেরাদুন, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
নাইটক্লব অমদা দি জে ম্যুজিক্কী মতাংদা নুমিদাং অথেংবদা খৎনবা অমদগী ষ্ট্রীটশিংদা য়ৌরকখিবা অমসুং হিংশা ওল্লকখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা দেরাদুনদা রিটয়ার তৌরবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা আর্মি ব্রিগেদিয়ার অমা অয়ুক্তা খোঙনা চৎলিঙৈদা মফম মরাং খঙদবা নোংমৈ মরুনা পানদুনা শিখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না স্কোরপিও অমা অমসুং ফোর্চুনর অমদা চৎপা খুৎপু অনিগী মরক্তা খৎনরকখিবা অদুগী মতুং অয়ুক ৬:৩০ রোম তাবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

দেরাদুনদা লৈবা জেন-জেদ নাইটক্লব অমদা দি জেগী ঈশৈশিং খোংবগী মতাংদা মরৈ অমা য়েৎনখিবদগী খৎনবা অদু হৌরকখিবনি।

মরৈ য়েৎনবা অদু ক্লব অদুগী মপান্দা মখা চত্থরকখি অমসুং ব্লেক স্কোরপিও অমদা তোংবশিং অদু খুৎপু অমনা তান্নরকখিবগা খৎনবা অদু হেনগৎলকখি। তান্নবা অদুদা স্কোরপিওদা তোংলিবশিং অদুনা ফোর্চুনর অদুদা নোংমৈ কাপখি অমসুং য়োৎচৈ অমসুং চৈনা তোংলিবশিং অদুদা খুৎ থাখি।

নোংমৈ মরুশিং কাপখিবা অদুগা লোয়ননা গাড়ীশিং অদু অয়াঙবা খোঙজেলদা থৌখি হায়না থৌদোক অদু উহৌবা মীওইশিং অদুনা হায়খি।

ফোর্চুনর অদুদা তোংবা মীওই কয়ামরুম এটেক অদুদা শাথিনা শোকখি। করিগুম্বা মতম অদুদা লম্বী অদুদা লম্বী চৎপা মীওই কয়া হেন্না লৈরম্বা তারবদি ফিভম অদু য়ান্না হেন্না খুদোঙথিনিংঙাই ওইরমগনি হায়না উহৌবশিং অদুনা মখা তাখি।

কুলদীপ বিষ্ট কৌবা মীওই অমনা স্কোর্পিওদা তোংলিবা মীওইশিং অদুনা ফোর্চুনর অদুদা হন্না হান্না নোংমৈ কাপখি হায়খি।

নোংমৈ কাপ্পা অদুদা নোংমৈ মরু অমনা অনকপদা খোঙনা চৎলিবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা রিটয়ার ব্রিগেদিয়ার অদুদা পানখি। মহাক হোস্পিটালদা থুনা পুখৎখি অদুবু লায়েং চত্থরকপদা শিখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা থৌদোক অদু মখোয়না ইনভেষ্টিগেট তৌরি অমসুং নাইটক্লব অদুদা মমাঙদা খৎনখিবা অদুগী মরীলৈনবা পুন্নমক থিজিল্লি হায়খি।

# য়ুমশকৈশাদগী ইন্দিয়াগী অহানবা দিজিটেল সেন্সস হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ানা দেমোক্রেটিক দাটা খোমজিনবা অমসুং মেনেজ তৌবদা অচৌবা অহোংবা অমদা অহানবা মপুংফাবা দিজিটেল সেন্সস লৈবাকপোকপা নুমৎতগী হৌরগনি।

অহানবা তাঙ্কক, হাউস লিষ্টিং অমসুং হাউসিং সেন্সস অদু এপ্রিল ১দা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৮দা হৌরগনি।

সিটিজনশিংদা মখোয়গী ইমুংগী লৈরিবা ফিভমশিং অমসুং বেসিক এমিনিটিজ ফংবগী মতাংদা মরিকচুম্বা ৱাহং ৩৩ পাউখুম পীনবা খঙহনগনি।

সেন্সস অদু তাঙ্কক অনি থোক্না পাঙথোক্কনি হায়না রেজিষ্ট্রার জেনরেল এন্দ সেন্সস কমিস্নার মৃত্যুঞ্জয় কুমার নরায়ননা মেদিয়াদা হায়খি। অহানবা তাঙ্ককনা হাউসিং দিটেলসতা চথগনি অদুগা অনিশুবদা অহানবা ওইনা ইলেক্ট্রোনিক ওইনা রেকোর্দ তৌগদবা কাষ্ট ইনফোর্মেসন য়াওনা ইন্দিভিজুয়েল-লেবেল দাটা লৌনবা পোপুলেসন ইন্যুমরেসননি।

ইন্যুমেরেটর লাক্ষ ৩০ রোমনা শোয়হন্দনবা এন্দ্রোইদ অমসুং আই ও এস প্লেটফোর্মশিংদা ফংবা মোবাইল এপ্লিকেসনশিং শিজিন্নগনি। এপ্প অদুনা লোন ১৬ সপ্পোর্ট তৌই অমসুং ইন্টরনেট কনেক্টিভিটি য়াওদনাফাওবা থবক তৌবা ঙম্মি।

# বেঙ্গল মীখলগীদমক কোংগ্রেসকী মীরেপ ২৮৪না অহানবা লিষ্ট ফোঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি):
লাক্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখলগীদমক কোংগ্রেসনা বেহরামপুরদগী হান্নগী ষ্টেট য়ুনিট চীফ অধির রঞ্জন চৌধুরি অমসুং মলাতিপুরদগী হান্নগী টি এম সি এম পি মৌশম নুর থাগৎতুনা মীরেপ ২৮৪গী মখোয়গী অহানবা লিষ্ট ফোঙখ্রে।

ষ্টেট অসিদা এসেমব্লি সিট ২৯৪গীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা নাইতোম ওইনা থেংনগদৌরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা অমুক্তদা মীরেপ ২৮৪গী মমিং লাউথোকখ্রে।

পার্টি অসিনা দার্জিলিংদগী মধাব রাই থাগৎলি। অমরোমদা সুজাপুরদগী অবদুল হন্নান, দম দমদগী সস্মিতা বিস্বাস, দাইমন্দ হার্বরদগী গৌতম ভত্তচার্য্যা, অসানসোল দক্ষিনদগী শৌবিদ মুখরজি অমসুং অসানসোল উত্তরদগী প্রসেঞ্জিত পুইতানদি থাগৎলি। লাক্কদৌরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখলগীদমক লিষ্ট অদুগী মতাংদা মফম অসিদা পাঙথোকপা পার্টিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফমদা খন্নখিবগী নোংঙানবদা মীরেপশিং অদু লাউথোকখিবনি।


In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 67/SDC/IW(S) Dated 30/3/2026*

Wangkhem Saratkumar Singh S/O (L) Ibobi Singh of awang Khunou Mamang Leika. -Petitioner

-VS-

Late Wangkhem Ibobi Singh S/O Chandra Singh of Awang Khunou. -Opposition Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Salam, the 30th, March, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner অসিনা Salam তাহশিলগী খুল নং 77-Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 368 দাগ নং 359 এরিয়া 0.52 একর চাওবা *ইংখোল* অসিগী পাট্টাদার Wangkhem Ibobi Singh পীং মৃত Ibobi Singh সাং Awang Khunou অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioners গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ইংখোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/4942/31



In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 66/SDC/IW(S) Dated 30/3/2026*

1) Wangkhem Saratkumar Singh S/O (L) Ibobi Singh of awang Khunou Mamang Leikai.
2) Wangkhem Muhindro Singh S/O (L) Ibobi Singh of Awang Khunou Lamkhai. -Petitioners

-VS-

Late Wangkhem Ibobi Singh S/O Chandra Singh of Awang Khunou. -Opposition Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Salam, the 30th, March, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 77-Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 284 দাগ নং 352 এরিয়া 1.00 একর চাওবা *ইংখোল* অসিগী পাট্টাদার Wangkhem Ibobi Singh পীং মৃত Ibobi Singh সাং Awang Khunou অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioners শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ইংখোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/4942/31



In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 65/SDC/IW(S) Dated 30/3/2026*

1) Wangkhem Saratkumar Singh S/O (L) Ibobi Singh of awang Khunou Mamang Leikai.
2) Wangkhem Muhindro Singh S/O (L) Ibobi Singh of Awang Khunou Lamkhai. -Petitioners

-VS-

Late Wangkhem Ibobi Singh S/O Chandra Singh of Awang Khunou. -Opposition Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Salam, the 30th, March, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 77-Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 290 দাগ নং 349 & 358 এরিয়া 1.16+0.19=1.35 একর চাওবা *অঙনফৌ লৌফম* অসিগী পাট্টাদার Wangkhem Ibobi Singh পীং মৃত Ibobi Singh সাং Awang Khunou অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioners শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *অঙনফৌ লৌফম* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/4942/31



In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 68/SDC/IW(S) Dated 30/3/2026*

Wangkhem Muhindro Singh S/O (L) Ibobi Singh of Awang Khunou Lamkhai. -Petitioner

-VS-

Late Wangkhem Ibobi Singh S/O Chandra Singh of Awang Khunou. -Opposition Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Salam, the 30th, March, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 77-Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 533 দাগ নং 487 এরিয়া 0.32 একর চাওবা *ইংখোল* অসিগী পাট্টাদার Wangkhem Ibobi Singh পীং মৃত Ibobi Singh সাং Awang Khunou অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioners শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ইংখোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/4942/31



In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 69/SDC/IW(S) Dated 30/3/2026*

Singam Nobojit Singh S/O (L) Babu Singh of Salam Makha Leikai. -Petitioner

-VS-

Late Singam Chaoyaima Singh S/O (L) Khoudon Singh of Salam Keikhu. -Opposition Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

*Salam, the 30th, March, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 76-Salam Keikhu গী অনৌবা পাট্টা নং 247 (N) দাগ নং 1101 এরিয়া 0.22 একর চাওবা *ইংখোল* অসিগী পাট্টাদার Singam Chaoyaima Singh পীং মৃত (L) Khoudon Singh সাং Luker অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioners শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ইংখোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/4941/31